**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-11-2024)**

**স্কুল (এল) ঃ** মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিং হয়েংদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম থোক্ত্রিবা ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দাকুমারনা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈরিবা সরকার, এদেদ, প্রাইবেট, সেন্ত্রেল স্কুল য়াওনা মহৈ লোইশঙশিং হয়েংদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ছুতি ওইরগনি। মসি রাজ্যগী হোম বিভাগনা খঙহল্লকপা পাউতাক্কী মতুং ইন্না চখবনি।

নাকল অমরোমদা, রাজ্য অসিগী কার্ফিয়ুগী অথিংবা লৈরিবা জিলাশিংদা রাজ্যগী হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী মখাদা লৈবা সরকারগী অমদি এদেদ কলেজশিং অমদি য়ুনিভরসিতি য়াওনা মহৈ লোইশঙশিং হয়েংদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম থোক্ত্রিবা ফাওবা ছুতি ওইরগনি হায়না রাজ্যগী হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমা থোকখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমসুং জিরিবামদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। হীরম অসিগা মতাংদা মরি লৈনবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীচম তরুক ফারবা মতুংদা তমথিনা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওনা পুন্না থৌদোক অহুমগী মতাংদা থিগৎননবা নেসনেল ইনভেষ্টগেটিব এজেন্সি (এন.আই.এ) না কেস রেজিস্তার তৌখ্রে।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং

অথুবা মতমদা চৈরাক পীননবা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না এন.আই.এনা হায়রিবা কেসশিং অসিগী মতাংদা কুপা থিগৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখিবনি হায়রি। থৌদোক অহুম অদুদি-থা অসিগী ১১ দা জিরিবামগী বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চাকুরাধোরদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা পুলিস ষ্টেসনদা লান্দারকখিবা, য়ুম কয়া মৈ থাবদা মীওই অনি শিখিবা অমদি অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক ফাদুনা তমথিনা হাৎখিবা থৌদোকনি। অনিশুবা কেসনা নুমিৎ অসিমক্তদা জাকুরাধোর-কারোংদা লৈবা সি.আর.পি.এফ. পোষ্ট অমসুং বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা লান্দারক্তুনা সি.আর.পি.এফ. কন্সটেবল অমা অশোক অপন নংহনখিবা, থৌদোক্তুদা সেক্যুরিতিগা খুৎ থোকবদা মিলিটেন্ট ১০ শিখিবা থৌদোকশিং য়াওরি। অরোইবা কেস অদুনা থা অসিগী তরেৎতা জিরিবামগী জাইরোলপোকপীদা নুপী লৈখিদবগী থৌদোকনি।

**মিসিং (এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লোয়তাংখুনৌদগী চহী ৫৬ রোম শুরবা লাইশ্রম কমলবাবু কৌবা মীওই অমা ঙরাংদগী থিবা খংদনা লৈরি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা মীওই অসিবু থিবগী থবক চত্থরি।

অমরোমদা, মীওই অসিবু তেক্ত-কায়দনা থাদোরকবা দাবী তৌরদুনা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়ামা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লৈমখোং চিংমাংদা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখি।

**কোকোমি(এল) ঃ** কোওর্দিনেসন কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ নিনিগী ওইনা সরকারগী লোইশঙশিং থিংজিনবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কমিতি অসিগী কোওর্দিনেট-সোমরেন্দ্রোনা ঙসি পাউগী মীফম অমদা

হায়-সরকারগী লোইশঙশিং থিংবগী খোঙজং অসিদা তঙাইফদবা সরকারগী বিভাগশিং অমসুং মহৈলোইশঙশিংদি কোমথোক্কনি। খোঙজং অসি লুপ অসিনা সরকারদা হৌজিক লৈরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎনবা নুমিৎ তরেৎনিগী মতম থাখিবা অদু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**লন্বী (এল)ঃ** নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লন্বীগী কে. সিনাম অমসুং সেজাং খুলগী মরক্তা লৈবা নুঙ দলালদা নুঙ কিন্থরকপদগী লন্বী ফাওনদনা লৈরম্বা অদু হৌজিক ফাওনরে। গাড়ি মচাশিং চৎথোক চৎশিন তৌনরে। অদুম্মকপু অচৌবা গাড়িশিংদি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থল্লি।

গনপতি কম্পানিগী মীহুৎশিংগী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-লন্বী থিংজিনদুনা লৈরম্বা নুঙদুমশিং অদু লৌথোকপা লোইরবসু চিংথক্তা মতম অমা হেক্তদা নুঙ কিন্থরকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী মাল পুবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা অসি থম্বনি। মথক্তা লৈরিবা নুঙশিং অদু শেংদোকপগী থবক হয়েং অয়ুক্তগী মখা তানা চথগনি। মপুং ফানা শেংদোকবা হোৎনবদা পুং মঙারোম চংলবা য়াই হায়রি।

**হেপটাইটিজ (এল) ঃ** নেসনেল ভাইরেল হেপটাইটিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিনদুনা জিলা থাক্কী ৱাল্ড হেপটাইটিজ ডে থৌরম চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চান্দেলগী দি.সি.-ময়াংলংবম রাজকুমার, সি.এম.ও. চান্দেল-ডা: জোয়সন মেথিয়ু, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী এম.এস. ডা: সেরভুম শকচুং ময়োননচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা আই.সি.দি.এস, ৱান স্তোপ

সেন্টর, মনিপুর ষ্টেট লাইফলিহুদ মীসন অমসুং অতৈ মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা পুন্না শিনবা ইম্পাৱারিং ৱিমেন থ্রু প্রোগ্রাম এন্দ পোলিসিজ হায়বা ৱার্কশোপ অমা ঙসি দি.আর.দি.এ. হোল উখ্রুলদা পাঙথোকখ্রে।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার থৌবালগী লমজিং মখাদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার-থৌবালনা লুচিংবা টিম অমনা অনজমান লিলোংগা খুৎশমদুনা ঙসি লিলোং ঙাঙৌ লৌকোনদা চথখিবা দ্রাইবতা উচেক ফানবা লাং ১৬ ফাগৎখ্রে।

ঙসিগী দ্রাইব অদুদা শরুক য়াখিবা অনজমান লিলোংগী জেনরেল সেক্রেটরি-হবিবুলানা হায়-লমলক্কী শা-উচেক কন্নবগী পান্দমদা ঙসিগী দ্রাইব অদু চথখিবনি। অসিগুম্বা দ্রাইব অসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবিয়ু।

**থৌবাল (এল)ঃ** পোইরৌপাৎ ফামরস দিবলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইতি-ইম্ফাল ইষ্টনা নিংথম থাদা থানবা মরু-মরাংশিং অমদি দবল ক্রোপিংগী অঙন ফৌ ফৌদি লৌমীশিংদা ফংহনবীনবা মনিপুর সরকারদা দাবী তৌরক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস নোনে বটালিয়ননা শিনদুনা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা রাইফলমেন-বাগিন বহাদু পুন অমসুং বোজ বহাদুর থপ্পাগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাইফলমেন অনি অসি ইং ১৯৬৬ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মিজোরামদা লালহৌবশিংগা নোংমৈ কাপবদা লৈখিদবনি।

অমরেমাদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নিশাগী মায়োক্তা লেকচর প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাগী লৈশোখ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**সংবিধান ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি সংবিধান নুমিৎ পালন তৌরি। ভারত সংবিধান

চৎননবা এদোপ তৌখিবগী চহী অমা চুপা চশুগদবা ৭৫ শুবা কুমওন পালন ঙসিদগী হৌগনি হায়না সরকারনা লাউথোকখিবনি। ইং কুমজা ১৯৪৯গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারতকী কন্সট্যুএন্ট এশেমব্লীনা সংবিধান চৎননবা এদোপ তৌখি অমসুং ১৯৫০গা জনুৱারি ২৬তগী চৎনবা হৌখি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা সংবিধানগী ফিদমশিং মখোয়গী লমচৎ শাজৎতা য়াওহন্নবা অমসুং ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগী পান্দম অদু ফংবা ঙমবা মখোয়গী তঙাইফদবা মথৌশিং পাঙথোকবা অমদি থবক তৌনবা তকশিল্লি।

সংবিধান নুমিৎকী সংবিধান সদনদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা ভারত সংবিধান অসি খুন্নাইগী অচুম্বা অমসুং পুন্না চাউখৎমিন্নবগী পান দম ফংনবা লৈবাক অসিনা হোৎনরিবা অদুগী অহিংবা অমসুং খুমাং চাউশিনবা দোকুমেন্টনি হায়না শিংথাখি। থৌরমদুদা উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনখর অমসুং লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলাসু ৱা ঙাংখি।

**সিএম (এল)** ঃ মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মীয়ামনা গনন্ত্রিক ওইবা মওংদা খোঙজং চংশিল্লকপদা সরকারনা য়ানিংদবা লৈতে। অদুবু, খোঙজং চংশিনবা মতমদা মীয়ামগী অমদি লন্নাইগী লন-থুম অমাং অতা থোকহনবনচিংবা হিংশাগী থবকশিং চশুরক্লবদি সরকারনা য়াবা ঙমলোই।

ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা দরবার হোলদা পাঙথোকপা সংবিধানগী নুমিৎ পালনদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সমাজগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং মরু ফংনা মুখুৎতুনা অপুনবা অমদি মপাঙ্গল লৈবা মনিপুর অমা শাগৎপা মতম ওইরে।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা দ্রগনা পীরক্লিবা চৈথেংদগী ঙাকথোকবা ৱার ওন দ্রগ অমদি মপানদগী আইন কায়না মীতোপ কয়া চংশিল্লিবশিং থিংননবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবকসু

হৌরে। মহাকা মখা তানা হায়-মপাঙ্গন কনবা অমদি অপুনবা ভারত অমা শাগৎনবা হোৎনবদা সংবিধানগী মরমদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস কেম্পেইন পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

সংবিধানদা পীরিবা হকশিং অমদি ৱাখল্লোন কয়া অদু মীয়ামনা মমুৎ তানা খঙহনবা তঙাইফদে। রাজ্য অসিবু খুমাং চাউশিন্না চাউখৎপা পুরকনবা হোৎনবদা লেজিসলেচর, জ্‌দিসিয়ারি অমসুং ইগজ্‌কিটিব অহুম অসি পুন্না পুকচেল শেংনা থবক তৌমীন্নবা তঙাইফদে

রাজ্যগী লো এন্দ লেজিসলেটিব বিভাগনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা আইন মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, এদভোকেট জেনরেল-লেনিন সিংহ হিজমনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মনিপুরি লোলদা ইথোক্লবা অনৌবা ক্রিমিনেল মেজর এক্ট অহুমগী দিগলোট এদিসন ফোংখি।

**ইবোবী (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী লিগেল সেলনা শিনদুনা ৭৫ শুবা সংবিধানগী নুমিৎ ঙসি ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস দলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এল.পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়-সংবিধানগী নুমিৎনা লাকপা অসিদা ভারতকী নাগরিকশিংদা সংবিধাননা পীরিবা হকশিং অদু মীয়ামা নীংথিনা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। সংবিধাননা পীরিবা হকশিং অসি ঐখোয়না নীংথিনা শিজিন্নদুনা গনতন্ত্রগী অশেংবা মশক অদু উৎনবা হোৎনবা তাই।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা বার কাউন্সিল ওফ মনিপুর, হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মনিপুর, ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসন অমসুং মনিপুর জ্‌দিসিয়েল একাডমীগা খুৎশমদুনা সংবিধানগী নুমিৎ ঙসি হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-দি.কৃষ্ণকুমার,

জষ্টিস-এ. বিমোল সিংহ, জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মনচিংবা শরুক য়াখি।

**মসলসা (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা ৭৫ শুবা সংবিধানগী নুমিৎ লমফেল কোর্ট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি-অলেক মুইভানা হায়-মালেমগী লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা ভারতকী সংবিধান অসি খ্বাইদগী ফজবা অমসুং মগুন লৈবা সংবিধান অমনি হায়বা য়াই। শাংলবা চহি ৭৫ অসিদা সংবিধান অসিগী মখাদা পাক চাউবা ভারত অসি করিগুম্বা মখলগী কন্সটিট্যুসনেল ব্রেকদাউন্দ য়াওদনা চল্লাইদুনা লাক্লি।

**এময়ুঃ** ভারত সংবিধান চৎনখিবগী ৭৫ রক শুবা কুমওন অমসুং জনজাতিয়া গৌরব দিবস ২০২৪ গা মরি লৈননা 'সেভেনতি ফাইভ ইয়রস ওফ কন্সটিট্যুস্নেল ইভোল্যুসন-ইস্যুস এন্দ চেলেঞ্জেস' হায়বসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরি লৈননা হীরম অসিগী মতাংদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। সেমিনার অসি সেসন অনি থোকা পাঙথোকনি।

**পিআইএলঃ** লৈবাক অসিদা পেপর বেল্লোট সিষ্টেম অমুক হন্না চৎনহন্নবা থারকখিবা পি.আই.এল. অমা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা মীখলশিংদা অমুক হন্না বেল্লোট পেপর শিজিন্ননবা থারকখিবা পি.আই.এল. অদু ঙসি স্প্রিম কোর্টকী জষ্টিস-বিক্রমনাথ অমসুং পি.বি. বরালেগী বেঞ্চ অমনা খন্নখি। পিটিস্নারনা ই.ভি.এমশিং শেমদোক শেমজিন তৌই হায়না ফোংদোকপগী ৱাফম বেঞ্চ অদুনা য়াখিদবগা লোয়ননা মীখলদা মায়থিহৌরবা মতমদতা মীরেপশিংনা ই.ভি.এমশিং

থাজিন্নিংঙাই ওইদে। মসি শেমদোক শেমজিন তৌই হায়না মীরেপশিংনা লান্না মরাল শিরি হায়না কোর্টনা ফোংদোকখি।

**সেন্তরঃ** কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রি সিভরাজ সিংহ চৌহাননা নয়ি চেতনা থ্রি জেরো কেম্পেইনগী মখাদা রাজ্য ১৩ দা জেন্দর রিসোর্সচ সেন্তর ২২৭ হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাকা হায়-সরকারনা নুপীশিংদা খুন্নাই, শেন্মিৎলোন, রাজনিতি অমসুং মহৈ মশিংগী লমদা শক্তী পীনবা কন্না হোৎনরি। লৈবাক অসিদা নুপা নুপী খেৎনবদা য়ুম্ফম ওইরগা চথবা হিংশা মুথৎনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা শরুক য়াবীনবা শ্রী চৌহাননা তকশিনখি।

**লৌমীঃ** এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়রস মন্ত্রালয়গী মখাদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং (এন.এম.এন.এফ)দে হীদোকবা অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসি কেন্দ্র সরকারনা খক্তনা স্পোন্সর তৌবনি। মসিগীদমক লূপা কোতি লিশিং ২, ৪৮১ কায়থোক্লগনি।

ন্যু দিল্লিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোয়রবা তুংদা পাউমীশিংগা উনবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈস্নোনা হায়-মিসন অসিনা খূৎশেমগী ওইবা হার শিজিন্নদনা মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপ্পা চংশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা লৌমীশিংবু হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি। নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং স্কিম অসিগী মখাদা লৌ-উবা মীওই কোতি অমা হেন্না

কোন্সিল্লগনি। মসিনা লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহন্দুনা হকচাংদা কান্নবা অফবা পোৎথোক পুথোকপা ঙম্মগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা উরিষাদা চৎলগনি।

শ্রী মোদিনা ভুবনেস্বরদা পাঙথোকপা ভারত পুম্বগী ওইবা দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফমদা শুরক য়াগনি। রাজ্য অসিনা মীফম অসিগী মপু ওইরি। মীফম্ অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুমমক্কী দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফ, রো, এন.এস.জি, ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো অমদি এস.পি.জিগী মকোকশিংসু শরুক য়াগনি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবলসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা মরু ওইনা সাইবর ক্রাইম, মাওইষ্ট, ইন্টরনেল সেক্যুরিতি অমদি কাউন্তর টেরোরিজমচিংবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

**বেদমিন্টনঃ** লক্ষনৌদা চথুরিবা সয়িদ মোদি ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন ত্রোফি-২০২৪-২৫ গী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা ঙসি অথেংবদা মনিপুরগী কোন্থৌজম দিংকু অমদি মহাক্কী মপাং অমন মোহোমদকা থাইলেন্দগী-পি.কাউসামাং অমসুং পি.পনপানিকগী জরাগা থেংনরগনি। ত্রোফি অসিদা তেলঙ্গালা ওপন ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী নুপীগী দবলস চেম্পিয়ন প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা মৈস্নাম মৈরা লুৱাংসু শরুক য়ারি।

**ফুটবোলঃ** নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফি-২০২৪-২৫ গী ফাইনেল রাউন্দ তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা পাঙথোক্লগনি। মসিদা পুন্না টিম তরুক- মনিপুর, সার্ভির্সেস, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, তেলঙ্গানা, জম্মু কাশ্মির অমসুং রাজস্থান য়াওরি। মনিপুরগী অহানবা মেটচ দিসেম্বর ১৪ দা সার্ভির্সেসকা শান্নগনি।

**বেদমিন্টনঃ** বোল বেদমিন্টন এসোসিয়েসন মনিপুরনা মহারাস্ত্রগী কামোথেদা পাঙথোক্কদবা নুপীগী ৭০ শুবা সেনিয়ার নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী টিমগী ত্রাইবেল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন অসি থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী অনি ফাওবা ইম্ফালগী অকম্পাৎতা লৈবা নৈলিট বাস্কোট বোল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিদগী খঙলবা য়াগনি।

**ককচিংঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট গেমসতা য়াওগদবা মশান্নশিংগী মমিং লাউথোককখ্রে।

গেমস অসিদা ফুটবোল, আচারি, বোক্সিং, বেদমিন্টন, সেপাক তাক্রৌ, কবাদি, খো-খোনচিংবা পুন্না মশান্না ১৪ য়াওগনি হায়রি।